# অয়াতোল্লাহ্ অলি খামেনি: মুস্লিম লৈবাকশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা লেপমিন্নগদবনি

অঙ্করা, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):

ইরানগী অশুপ্পা লুচিং পুরেল অয়াতোল্লাহ অলি খামেনিনা মুস্লিম লৈবাকশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্ননবা তকশিনখ্রে।

মহাক্না হায়খি, অমেরিকা অমদি অতৈ নোংচুপ লৈবাকশিংগী মায়োক্তা ইরান্না মায় পাক্লা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলি। মুস্লিম লৈবাক পুন্নমক্না অমেরিকা অমসুং অতৈ য়েক্কবা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নবা মতম ওইরে।

য়ু এসনা ঙাকপী শেনবীদ্রবদি মিদল ইষ্টকী লৈবাক খরা চয়োল অমা ফানা হিংবা ঙম্লোই হায়না দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু ইরান্না অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

খামেনিনা হায়খি, মুস্লিমশিংবু ঈকায়বা পীবগী মওংদা ফোঙদোকখিবা ট্রম্পকী ৱাফম অদু কন্দেম তৌফম থোকই। লাইবক থীবদি মুস্লিম লৈবাক মশেলগী মরক্তা লান শোক্করি। শোত্থহৌরবা মুস্লিম লৈবাক খরা অতোপ্পা খরগা মুক্কুরিঙৈদা নোংচুপ লৈবাক্কী মতিক ময়াই লৈরবা কাঙবুনা খুদোংচাবা লৌরে।

ইরান অমদি সাউদি অরাবিয়ানা মতম কয়াগী মমাঙদগী মুক্কদুনা লাকখিবগা লোয়ননা সিরিয়া, ইরাক, লেবানন্দ অমদি য়েমেন্দগী হেনগৎনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স অমদি বৃটেননা সিরিয়াদা এটেক চথখিবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী চাউবা ক্রাইমনি হায়না অয়াতোল্লাহ অলি খামেনিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, এপ্রিল ১৪ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট, ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট অমসুং বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ক্রিমিনেল অমগী মতৌগুম মরাল লৈজদবা সিরিয়াদা নোংথক্কগী এটেক চথখিবা য়ানিংদে। মমাঙদসু নোংচুপ লৈবাকশিংনা ইরাক, সিরিয়া অমদি অফঘানিষ্টান্দা তমথিবা ক্রাইম কয়া চথবা লৈখ্রে।

য়ু এসনা লুচিংলগা সিরিয়াদা মিসাইল কাপশিনখিবগী মতাংদা ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রোহানিনা হায়খি মদুদি, মিদল ইষ্টতা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগীদমক নোংচুপ লৈবাকশিং খুদোংথিবা শোয়দনা নংগনি। নোংথক্কগী এটেক চথবনা মিদল ইষ্টতা অমাঙ অতা থোকহনবতা নত্তনা নোংচুপ লৈবাকশিংদা কান্নবা অমত্তা ফংলোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদপু ইরান্না মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সিরিয়ানা নোংচুপ লৈবাকশিং থৌনা ফনা মায়োক্নবা মতম ওইরে। মিদল ইষ্টতা লৈরিবা ওৎপী-নৈবীরবা অমসুং নমথবীরবা লৈবাকশিংবু ইরান্না মতেং পাংদুনা লাকখি। মতুং তারকপদসু মখা তানা মতেং পাংখিগনি।

ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্টর হোসেন দেহঘাননা হায়খি, মিসাইল কাপশিন্দুনা চথুরকখিবা এটেক অদুগী মতাংদা সিরিয়াগী মীয়াম্না মতিক চাবা পাউখুম শোয়দনা পীগনি। মালেমগী মীয়াম্নসু য়ু এস অমদি অতৈ নোংচুপ লৈবাকশিংগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই।

ইরানিয়ন রেভল্যুস্নরি গার্দস কোদ (আই আর জি সী) গী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ৱাশিংতননা অচঙবা শেনফম পুন্নমক পুথোক্লগা সিরিয়াদা মিসাইল কাপশিনবগা লোয়ননা নোংথক্কগী অকন্নবা মওংদা এটেক চথখি হায়বা মালেমগী মীয়াম্না খঙই।



# য়ু এস দিপ্লোমেটকী গাড়ীনা থেংবদা মীচম শিখিবদগী লৈবাক ২ গী মরী হেন্না শোকচিল্লক্লে

ইস্লামবাদ, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):

থা অসিগী হৌগৎলকপদা মীচম অমা গাড়ীনা থোমজিন্দুনা হাৎখিবগী মতাংদা অমেরিকান দিপ্লোমেট অমা পাকিস্তান থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখিদ্রে।

লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লক-খিবগা মপা চান্না এপ্রিল ৮ দা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অমনা তোংলকপা গাড়ীনা ইস্লামবাদতা মোটোর সাইকল থৌবা মীওই অমা থোন্বদা শিখিবনি। লৈখিদ্রবা অতিক বেগ কৌবা মীওই অদুগী অপোকপনা অমেরিকান দিপ্লোমেট কর্নেল জোসেফ ইমান্যুয়ল হোলবু ফারগা ইস্লামবাদ হায় কোর্টতা ট্রাইয়ল চথগদবনি হায়না তকশিনখি।

অদুবু অতোপ্পা লৈবাক অমগী দিপ্লোমেট ফাবা য়াদে হায়বা চৎন-কাঙলোন অমা লৈবা মরম্মা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অদু ফাবা ঙমদ্রি। রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, নুমীৎতুদা কর্নেলে জোসেফ ইমান্যুয়ল হোল য়ু ঙাওরগা গাড়ী থৌরকপদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

য়ু এস এম্বেসিনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না শেংদোকখি। হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তানগী দেপ্যুটি এটোর্নি জেনরেল রাজা খলিদ মেহমুটনা হায়খি, মপান লৈবাক্কী দিপ্লোমেট ওইবা মরম্মা জোসেফ ইমান্যুয়ল হোল ফাবা ঙমদ্রবসু ইন্টরিয়ম মিনিষ্ট্রিগী ব্লেক লিষ্টতা চলহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিনবগী অয়াবা পীদ্রে।

এয়রপোর্ট খুদিংমক্তা মাঙজৌননা পাউ পীবীবগা লোয়ননা অমেরিকান দিপ্লোমেট অদু অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎহনখিদনবা খঙহনখ্রে হায়না দেপ্যুটি এটোর্নি জেনরেলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা অফবা মরী থম্নরকখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা য়ু এস অমসুং পাকিস্তান য়েংথিনরকখি। লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লকখ্রবা মতুংদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবা মরম্মা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাথোক হেন্না চাউথোরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

পাকিস্তান্না অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা ঙমখৈদা ইস্লামিক মিলিটেন্ট কয়ামরুম চঙজফম পীদুনা থম্মী হায়না ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না মরাল শিরকখি। মদুনা মরম ওইরগা হান্না পীরম্বা মিলিটরিগী তেংবাং পুম্নমক লেপখি। পাকিস্তান্নদি মিলিটেন্টশিং চঙজফম পীবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।


পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ু এস এম্বেসেদর দেবিদ হলে কৌরগা দিপ্লোমেট অদুগী মায়োক্তা হৌনবী মতুংইন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল পীশিনখি। অমরোমদা, য়ু এস ওফিসলশিংনা পাকিস্তান্দা হায়খি মদুদি, ৱাশিংতন্দা লৈরিবা পাকিস্তানি দিপ্লোমেটশিংনা চথোক চৎশিন তৌবগী মতাংদা অকক্লবা কাঙলোন অমা চৎনরগনি। হান্নগী মতৌগুম চৎনিংবা মফমদা চৎপা য়াহল্লরোই।

হন্দক্তা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল অলিস ৱেলস ইস্লামবাদতা লাক্তুনা ইমান্যুয়ল হোলগী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা পাকিস্তানি ওফিসলশিংগা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক ইস্লামবাদনা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অদু ফারগা পাকিস্তানগী লৈহাওদা ট্রাইয়ল চথবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

লাহোরদা লৈবা পোলিটিকেল এনালিষ্ট রাসুল বক্স রাইসকী মতুংইন্না অথুবা মতমদা য়ু এস অমসুং পাকিস্তান্না য়ানবা পুরক্লগনি হায়রি।




# পাকিস্তান হায় কোর্টনা ফোরেন মিনিষ্টর খ্বাজাবু এম পি ওইহন্দনবা খঙহনখ্রে



ইস্লামবাদ, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):

লৈঙাক পায়রিবা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা ইস্লামবাদ হায় কোর্টনা ফোরেন মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফপু য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) দা ৱার্ক পার্মিট পীখিবগী ৱাহৌদা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইবদগী তোকহন্নবা খঙহনখ্রে।

ইমরান খাননা লুচিংবা পাকিস্তান টেহরিক-ঈ-ইসাফ পার্টিগী মেম্বর উসমান দরনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমা হিরয়ারিং চথুরবা মতুংদা কোর্টকী ৱায়েল পীখিবনি।

পিটিসন অদুনা হায়খি, খ্বাজানা য়ু এ ঈগী ভিজা পায়বা তারবসু মীখলগী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা ৱাফম পনখিদে। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা অসিফনা উসমান দরবু মায়থিবা পীখিবনি।

মমাঙ চহীদা পানামা পেপরস কেসতা চেন্নৈ হায়বগীদমক পি এম এল-এনগী লুচিংবা নৱাজ সরিফপু প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকহনখিবনি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মীখলগী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা য়ু এ ঈগী কম্পেনি অমনা থা খুদিংগী তোলোপ পীবগী ৱাফম এফিদেবিটতা পনখিদে হায়বগীদমক সরিফপু প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা তোকহনখিবনি। ইস্লামবাদ হায় কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন্দা দরনা হায়খি, কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৬২ অমসুং ৬৩ গী মখাদা অসিফপু দিসক্কালিফাই তৌগদবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান্না রসিয়াদা পাঙথোক্কদবা পিছ মিসনগী শরুক অমা ওইনা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ অমদা পুন্না শরুক য়ামিন্নগদৌরি। ন্যুক্লিয়ারগী মতিক ময়াই লৈরবা সাউথ এসিয়াগী য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীনা মিলিটরি এক্সর্সাইজদা শরুক য়ামিন্নবা হন্দক্না অহানবা ওইরগনি।

# সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সনা খ্বাইদগী শাংবা ফ্লাইট সার্ভিস লৈহনগদৌরি

সিঙ্গাপোর, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):

চহী অসিগী মনুংদা সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সনা পুং ২০ নোংথক্তা শুংলেপ লেপ্তুনা পাইগদবা ফ্লাইট সার্ভিস অমা লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

সী এন এনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সকী অনৌবা প্লেন, এয়র বস এ ৩৫০-৯০০ য়ু এল আরনা সিঙ্গাপোরদগী ন্যু য়োর্ক ফাওবা ফ্লাইট সার্ভিস হৌরগনি। বিজিনেস ক্লাসকী সিট ১০০ য়াওবা প্লেন অসি কুমজা ২০১৩ দা সার্ভিস তৌবা হৌরুরবনি। অদুবু খুদোংচাবা খরা মায়োক্লবদগী মখা তানা সার্ভিস তৌবা ঙমখিদে।

সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সনা খ্বাইদগী নম্বা এয়র বসকী প্লেন ২১ লৈখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা এয়রক্রাফ্ট ৬৭ অমসু লৈনবা থৌরাং তৌরি। মদুগীসু মথক্তা অল্ট্রা লোং-রেঞ্জ প্লেন তরেৎ লৈনবা থৌরাং লৌখৎলি।

এপ্রিল ২৩ দা চাংয়েং ওইনা প্লেন অসি নোংথক্তা পুং ৫ লেপ্তুনা পাইখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা হৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি। অল্ট্রা লোং-রেঞ্জ প্লেনন্না মাইল ১১,১৬০ নোংথক্তা লেপ্তুনা পাইবগা লোয়ননা এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রিবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সকী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মালেমদা মতৌ অসুম্না খ্বাইদগী শাংবা ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সনা অহানবনি। লমশাং চৎপদা পেসেঞ্জরশিংগী খুদোংচানবগীদমক হান্নগী মওং-মতৌদগী খরা শেমদোক্লগা অনৌবা এয়র বস প্লেন লৈশিনখিবগা লোয়ননা খোঙ তিংথোক্লগা তৃম্বা য়ানবা মওংদা শেমদোক্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সনা এয়র ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ফ্লাইট সার্ভিস তৌনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি।

মমাঙ চহীদা এয়র ইন্দিয়াগী সার্ভিস লেপ্লগা অতোপ্পা লৈবাক্কী এজেন্সীদা থবক তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু অয়াবা পীখ্রবনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংনা এয়র ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মপান লৈবাক্তা ফ্লাইট সার্ভিস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা ইন্দিগোনসু হিরম অসিদা মীৎয়েং চঙলকপা লৈখ্রে।

হৌখিবা জান্যুৱারি থাদা এয়র ইন্দিয়াগী সেয়র চাদা ৪৯ ফোরেন ইনভেষ্টরশিংদা শিন্নথোকখিনবা থৌরাং অমা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখি। হৌজিক হৌজিক সিঙ্গাপোর এয়রলাইন্সনা চয়োল অমদা ইন্দিয়া ফাওবা পাইবা ফ্লাইট ৯৮ সার্ভিস তৌরিবনি। অথুবা মতমদা ১০৪ দা হেনগৎহন্নবা পান্দম থম্লি। বিষ্টারা অমদি ইন্দিগোনসু এয়র ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি।



## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Admit Card of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 8224 of 2018, Regn. No. 2472 of 2017, issued by COHSEM, on the way from Sangaithel to Sanjenthong on 22/04/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Konthoujam Moirangthou**
Sangaithel Makha Leikai
☎ 9378020737

*HL-P/1134/27*

## MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

(Regd. Office - 3rd Floor, New Directorate Building, Near 2nd MR Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal-795001, Manipur)
CIN.U40101MN2013SGC008343

## PUBLIC INFORMATION

Imphal, the 26th April, 2018

**No.1/13/2016-MSPDCL/IT:** It is hereby informed to the general public and consumers of MSPDCL in particular, that there will be a maintenance break of MSPDCL. website, **www.mspdcl.com** for about 3 (three) hours on **Sunday, the 28th April 2018**. All online activities will not function during the above period. Inconvenience is deeply regretted.

*Sd/-* **W. Malemnganba Chenglei**
Managing Director, MSPDCL

*HL-B/4587/27&28*

## All Manipur Electricity Department Contractors and Suppliers Association (ECSA) গী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকখ্রে

নহান তাং ২৫/০৪/২০১৮ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা শ্রী সেরাম জুগিন্দ্রো সিংহ লাংথবাল লেপ ময়াই লৈকাইদা লৈবগী য়ুমদা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্তুনা মখাগী মীওইশিং অসি য়েৎনবা লৈতনা থৌ-পুবা ওইনা খল্লে।

| Sl. No. | Name | Designation |
|---|---|---|
| 1. | H. Inaomacha Khuman | President |
| 2. | S. Jugindro Singh | Vice President |
| 3. | W. Gyaneshwor Singh | Secretary |
| 4. | Th. Devakumar Singh | Asst. Secretary |
| 5. | S. Homendro Singh | Cashier |
| 6. | S. Ibomcha Singh | Member |
| 7. | Th. Tarun Singh | Member |
| 8. | Kh. Naobi Singh | Member |
| 9. | O. Manao Singh | Member |
| 10. | L. Birahari Singh | Member |
| 11. | Th. Kumarjit Singh | Member |

***Advisors :***
1. Ng. Yaima Singh
2. L. Mohendro Singh
3. W. Gopal Singh

*Sd/-* **W. Gyaneshwor Singh**
***Secretary,***
All Manipur Electricity Department
Contractors & Suppliers Assn. (ECSA)

*HL-P/1137/27*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 198/SDC/NTK/2018***
Chabungbam Lukhoi Singh S/o (L) Ch. Ibobi Singh of Phubala Awang Maning.
*... Petitioner*
-Vs-
Late Chabungbam Ibobi Singh S/o Mani Singh of Phubala.
*... Opponent*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong, the 26th April, 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 46-Phubala Village গী Patta No. 218 (O) 109 (N) C.S. Dag No. 1149 an area 0.20 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ৩/০৫/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1145/27*

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 422/SDC/IW-L/2018***
Mangjalal Sitlhou S/o (L) Nungkhotinkai Sitlhou of Kangchup Patjang.
*-Petitioner*
*-Vs-*
Late Lamboi Kuki S/o (L) Nehchei of Kangchup Chingkhong.
*-O.P. Party*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

The 26/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার লম্বোই কুকি, পীং মৃ: নেংচৈ, সাং কাংচুপ চীংখোংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৯-খরং কোইরেংগী দাগ নং ১৯ অমসুং এরিয়ানা ০.১২ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/1143/27*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 168/SDC/NTK/2018***
1. Nongmaithem (O) Akasini Devi W/o (L) N. Ibosana Singh of Nachou.
2. Nongmaithem Ibopishak Singh S/o (L) N. Ibotombi Singh of –do–.
3. N. Manihar Singh S/o (L) N. Ibotombi Singh of –do–.

*... Petitioners*
-Vs-
Late Nongmaithem Ibotombi Singh S/o (L) N. Abung Singh of Nachou.
*... Opponent*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong, the 26th April, 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 41-Nachou Village গী Patta No. 10 (O) 65 (N) C.S. Dag No. 1255 an area 0.16 acre out of 0.48 of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ৩/০৫/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1145/27*

## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ/PASSPORT LOST

I have lost my Original Passport bearing No. F0833073, issued by Passport Seva Kendra Imphal on the way from Thoubal to Imphal on 22/04/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Jitendra Singh Shagolshem**
***Thoubal Mayai Leikai***
☎ 8794213531

*HL-P/1136/28*

## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ/ BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Mayang Imphal Branch bearing Account No. 35189670174 on the way from Mayang Imphal to Khwairamband Bazar on 22-04-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Hidam Roshni Devi**
Mayang Imphal
☎ 8787716488

*HL-P/1138/27*

## ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/শেংদোকচবা

চানুং, তাং ২৬/০৪/২০১৮

ঐহাক অমোম দোলেন মৈতৈ, অপোকপা এ. কুলবিধু মৈতৈ, চানুংদা লৈবনা মখাগী ৱাফম খরসি লৈবাক মীয়ামদা পাউচেগী থোংদা শেংদোকচরি। মদুদি হৌখিবা মতম খরা অসিদা অশেম ওমিতা অপোকপগী মীং এ. ইঙোবী সিংহ অসিনা চানুংদা লৈবা মহাক্কী য়ুম শীদোকপীরে হায়না কেস অমা এন তাঙবা অমদি কে তোম্বা মখোয় অনী অসিগী মথক্তা তৌবীরে। তশেংবদি কেস অসি মখোয় অনীগী মথক্তা তৌফম শুকথোক থোক্তবনি। শীদোক্লে হায়রিবা য়ুম অসি এ দোলেন ঐহাক ইশাগীনি। য়ুম্বু ওইরিবা ইশানা শীদোকচবনি। মসিদা মখোয় অনীগী অমসুং কনাগুম্বা অমত্তগী মরাল লৈতে। হীরমসিগী মতাংদা এ. ওমিতানা কনাগুম্বা অমত্তগী মথক্তা কেস তৌবগী হক লৈতে। ইঙ্খোল য়েন্নবা মতমদা ঐনা মঙোন্দা য়ুম পীখিবা লৈতে। য়ুম অসি ঐগীনি হায়না য়ান্নবা লৈখ্রবনি। মসিগী শাখি-শাবোন লোয়না লৈরিবনি। তশেংনা কেস তৌনিংলবদি য়ুম শীদোক্লিবা য়ুম্বু ঐগী মথক্তা তৌগদবনি। মরাল লৈতবা মীশিংগী মথক্তা তৌফম থোক্তে। হান্না য়ান্নখিবা অদু ঙাক্লা চৎপীয়ু, তুংদা হেন্না অকায়বা লাক্তনবা। য়ুম অসি ঐহাক্না ইশাগী তুংগী খল্লগা শীদোকখিবনি। মসিগী অফ-ফত্ত খুদিংমক ইশানা পুজগনি।

*শেংদোকচরিবাঃ* **Amom Dolen Meitei**
S/O A. Kulabidhu Meitei
Chanung Mayai Leikai

*HL-P/3291/27*

## ꯄꯥꯏꯂꯁꯀꯤ ꯑꯣꯖꯥ/পাইলসকী ওজা কবিরাজ অব্দুল হক-পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐহাক মতম শাংনা পাইলসনা নাবদগী খ্বাঙ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হাম্বদা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা য়াম্না থুপ্পা শাবা, শৌজদা হাক্কৎচবা, কক্-কক্ থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথিবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিবা ফাওবা চংউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক, অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লৈবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক, কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬** কী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী হিদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ১৫ নিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা পুম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অমদি পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তানবীয়ু। পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনিংই।

*থাগৎচরিবা :* **Kh. Hemanta (Iboton)**
**Lilong Chajing**

*HL-P/1107/27*

## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ/R.C. BOOK মাঙখ্রে

ঐগী মীংদা লৈবা গাড়ী রেজিষ্টেসন নম্বর **MN01M 5283** গী চে-চাং (আর সী বুক) অসি হৌখিবা তাং ২২/০৪/২০১৮ ইংদা কৈরাও বিত্রা খুনৌদগী পাউনা বজার ফাওবগী মরক্তা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাদা পীরিবা ফোন নম্বর অসিদা পাউ পীবীয়ু। অৱামন মতিক চানা তৌজগনি।

*Sd/-* **Y. Motilal Singh**
Keirao Bitra Khunou, Imphal East
☎ 9612557595

*HL-P/1144/27*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

***Ref:- Mut. Case No. 209/SDC/Bishnupur, 2018***
1. Thoudam Dineshwor Singh S/o (L) Th. Ibotomba Singh of Toubul.
2. Thokchom Shanta Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Toubul.
3. Shagolsem Kaboklei Devi W/o (L) Sh. Bheiga Singh of Toubul.
4. Naorem Rameshwor Meitei S/o (L) N. Ibochouba Meitei of Toubul.
5. Wahengbam Thomba Singh S/o (L) Aber Singh of Toubul.

*-Petitioners*
-Vrs-
1. Thoudam Maipakpi Devi W/o (L) Amu Singh of Toubul.
2. Thoudam (N) Ibetombi Devi W/o Ibotombi Singh of Toubul.
3. Thoudam Ibotomba Singh S/o (L) Amu Singh of Toubul.
4. Thoudam (N) Shakhi Devi W/o Ibomcha Singh of Toubul.
5. Thoudam (N) Leibaklotpi Devi W/o (L) Mani Singh of Toubul.
6. Thoudam (N) Ibempishak Devi W/o (L) Aber Singh of Toubul and others.

*-O.P.*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Bishnupur, the 26th April, 2018


Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্কী OP শিংগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 36/1799 (অরিবা), 231 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1199 গী 0.982 চাওবা ইঙ্খোল অসি পট্টাদার মশাশিং মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner No. 1 দা Co-pattadarni 1 & 3 গী শরুক অমসুং ২, ৪ অমসুং ৫ অসি নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
**Bishnupur**

*HL-P/1142/27*

ꯗ ꯀꯂꯆꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯝ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
**THE CULTURAL FORUM, MANIPUR**
RUPMAHAL TANK COMPLEX, B.T. ROAD, IMPHAL-795001
REGD. NO. 126 OF 1962
(Recognised by Sahitya Akademi, New Delhi)

## অৱাবা ফোঙদোকচবা



হৌখিবা এপ্রিল ২৩, ২০১৮ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.০০ তাবা মতমদা **দ কলচরেল ফোরম মণিপুর**-গী ওফিসতা প্রো: হুইরেম বিহারী সিংহ, প্রজিদেন্ত, দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা থৌরম মপু ওইদুনা মণিপুরগী শক্লাইরবা প্রিন্ত ইঞ্জিনিয়র **লাইশ্রম ৺তোম্বা সিংহ,** ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবনা এপ্রিল ২২, ২০১৮ নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। **লাইশ্রম ৺তোম্বা সিংহ,** দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী লাইফ মেম্বর ওইরম্মী অমসুং ফোরমগী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মায়রোং য়াবীরম্মী। মহাক্না লৈখিদবসি ফোরমগীতা নত্তনা লমদম অসিগী প্রিন্তিংগী লমদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি।

শক্লাইরবা মীশক অসিনা লৈখিদবদা ফোরমগী মেম্বরশিংনা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী খুয়া খাদা ঈংনা চীক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি।

*শীন্নজরিবা ঃ* **ক্ষেত্রি রাজেন**
*জেনরেল সেক্রেটরি*

*HL-P/1139/27*